থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# নুপী দ্রামা ফেষ্টিবেল মনুংদা সেমিনার - ২

'নুপী-দ্রামা-ফেষ্টিবেল'গীনা মঙানি চনবা, ফেষ্টিবেলদুগী শরুক অমা ওইখিবা 'নেসনল থিয়েটর সেমিনার'দুগীনা মরিনি চনবা অরোইবা নুমিত্তু নুপী অহুম'না সেমিনার পেপর পুথোকখি - অসামদগী 'মীনাক্ষি গৌতম' (ফাইন্দিং হর প্লেস : রোল ওফ ৱুইমেন দাইরেক্টরস ওফ অসাম - নুপীশিংগী মফম অমা থিবা - অসামগী নুপী-দাইরেক্টরশিংগী থৌদাং); অরুনাচল প্রদেশ'তগী 'কাগো মাদো' (অরুনাচল প্রদেশকী পর্ফোর্মিং আর্ট-ফোর্মশিং, থিয়েটরগী খোঙচৎ অমসুং নুপী); ত্রিপুরাদগী 'বিজলি চক্রবোর্তি' (ত্রিপুরা'না নিংথৌ পানবা লৈবাক ওইরিঙৈ, ত্রিপুরাদা থিয়েটর'না খোঙহৌরকখিবা)।

মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমি'না শীনবা থিয়েটর ফেষ্টিবেল'না খ্বাইদই হেন্না মচু তাবা, মগুন লৈবা ফেষ্টিবেল অমনি খন্নরম্বদু উবা ফংলকখিদবা ফাগি ফাগি চহী মাপল শুরক্কদৌরে। খঙই - অমুক হন্নসু উররোই। 'ফন্দ লৈতে... পৈশা লৈতে... হৈক্রু মনাদা য়োম্বা বজেৎনি, থিয়েটর প্রমোসনগীদমক শরুক থুংদে' ... অমত্তা ঙাযরবা পাউখুমনি। ষ্টেট কলা একাদেমি অমদি দিপার্টমেন্ট ওফ আর্ট এন্দ কলচর'না 'নেসনল থিয়েটর ফেষ্টিবেল'দি লায়রদনা মিনিংফুল ওইবা ষ্টেট লেবেল থিয়েটর ফেষ্টিবেল নৎত্রগা সেমিনার অমা শীল্লক্কনি হায়বই ৱাদুদি মঙদা ফাওবা মঙলুদবনা ফরনি। হৌজিক মথৌ পাঙফম খঙদনা ঙাওচৎনরিবা এমপ্লোয়ীশিং অসিনা রিটায়র তৌখিবগী পুংফম ঙাইরিবা একাদেমিনি, নুমিত্তুদা থুপচিন্দৌগী। অসুক ৱানা ঙাইদৌ শরুক, কেবিনেটকী ৱারেপ অমা লৌরগা 'আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্ট'তা পুনশিল্লে হায়দুনা থোক লাউথোক্তুনা লানবীরবদি কয়াদা হরাওজগবা একাদেমি এমপ্লোয়ীশিং! নুমিত্তুনি মখোয়না চীনবান লানবা ঙমদবা লাইশোন ওইনা শোল্লদুনা ঙাইরক্লিবা। মতমদুদা ওইরক্কদবা মণিপুরী থিয়েটরগী মশক, খল্লুবদা নুংনাংই। কলচরেল এক্টিভিটি য়েংশিনবীনবা অমসুং য়োকখৎপীনবা গভর্ণমেন্ট-এজেন্সি অমা লৈনা লৈনা মণিপুরী কলচরনা অসি য়ৌনা লৈখা তারবদা, এজেন্সি অসিনা মুৎখ্রবা, করি ওইবা হৌননি!

লাংতক্লবা ৱাখলসি নুমিৎ তরানিগী ফেষ্টিবেলসিগী নুমিৎ মরিনি, শক্লায়রবা স্কোলর কয়ানা তোঙান তোঙানবা ইস্যু কয়াদা চে পাথোক্তুনা নৈনখিবদুদা খল্লকখিবনি। অসি য়ৌনা ফীভম শোক্লবা, মীহুন হুল্লি হায়বদুতা ঙায়রবা হকচাংগা পাংখক ওইরবা মণিপুরী থিয়েটরগী থাক অসিদা খূৎ থেক্তুনা পাবা য়ারিবা, খূৎশা তরামকসি শুনা থেক্লিংঙাই লৈত্রিবা মণিপুরগী নুপী থিয়েটর দাইরেক্টরশিং অসিনা মশক থোক্লা করিবু তৌবা ঙমদৌরিবনো? ৱাহংসিনা মাঙদা থম্লগনি - ফেষ্টিবেল অসি শীন্ননবা থৌরাংলুবা। প্রোসিনিয়ম থিয়েটরদা থৌপাংলিবা মণিপুরগী নুপী দাইরেক্টর মরি, অসামদগী অনী, মণিপুরী ত্রেদিসনেল থিয়েটরগী নুপী দাইরেক্টর অনী, ত্রিপুরাগী বেঙ্গলী ত্রেদিসনেল থিয়েটর (যাত্রা) গী নুপী দিরেক্টর অমা; লোয়ননা মণিপুরী-নুপী-স্পেসল (হৈস্নাম সাবিত্রি) - পূন্না নুপী তরাগী স্পেসল ফেষ্টিবেল অসিদা নুমিৎ মরিনি চূপ্পা নৈনখি - ইন্দিয়ন থিয়েটরদা নুপীশিংনা য়ারিবা থৌদাংসিগী মায়কৈ কয়াদগী য়েংলকপা চাউরাকপা মশক। নহান, দিসেম্বর ২৭, ফুরাইলাৎপম গুনচন্দ্র শর্ম্ম'না মণিপুরগী নুপী-শুমাং লীলা অমদি মোইরাং পর্ব্ব নৈন-ৱারোল তারুবদা শ্বাই লাউবা তাংকক অমা য়াওখি - '... নুপা শুমাং লীলানা শেন্দাল লম্বীনি, নুপী শুমাং লীলানা কলাবু পামজবনি, সমাজ সেবানি'...। ৱাহৈসিদা লোৎলি-কলা মখল অসিদা নুপা-কলাকার অমদি নুপী-কলাকার অনীগী খেন্নবা। অমনা 'মমল লৈবা কলাকার' অমনা 'মমল য়াওদবা কলাকার'! লমদমসিগী অমত্তা ঙায়রবা ত্রেদিসনেল থিয়েটর 'মোইরাং পর্ব্ব' হিংহল্লিবা, নুপী-শুমাং-লীলা-কলাকারশিং অসিননি - পেপরসিনা হায়রি। মমি শাল্লবা তুংলমচৎ অদুগী মরমদদি পল্লমদরে, কিরবরা!

নেসনল সেমিনার অসিগী অরোইবা নুমিৎ, অহানবা পেপর, অসামগী নুপী থিয়েটর দিরেক্টরশিংগী মফম কদায়দা লৈবগে? থিননবা হোৎনবনি। থিরিবনি। মীনাক্ষি গৌতমনা অসামদা হৌজিক হৌজিক এক্টিব ওইনা থবক তৌরিবা নুপী-থিয়েটর-দাইরেক্টর খরা অতম্লনা উনদুনা, হকথেংননা ৱারী শারগা অসামি-নুপী-থিয়েটর-দাইরেক্টরশিংগী মফম লেপ্লনবা হোৎনরুই। অরানবা খোঙথাং অদুনা, মহাক্লা উনবা ফংখিদবা মীওই খরগী মিং চিগুবতা নত্তনা, পেপর অদু মীচং মীখায় নাইনা ইবা মালহনখি। অদুবু, অসামগী নুপী-থিয়েটরগী মুভমেন্ট'তা মুসলিম-নুপীনা মাঙজিল থানা চৎলি হায়বা খঙবসিমদি নুংঙাইবা পাউ অমনি।

সেমিনারসি য়াওরুবগী খ্বাইদগী নুংঙাইবা মীকূপতি - অরুনাচল প্রদেশকী মীহুৎ ওইনা লাক্তুনা হিন্দি লোন'দা ইদুনা অরুনাচল প্রদেশকী পর্ফোর্মিং আর্ট মখলশিং শক্তাক্লবা হোৎনবতা নত্তনা, নুপীশিংনা লৌরিবা থৌদাংসু শৈথানবা হোৎনবা - নিংথিজবা পেপর অমনি। হিন্দি লোন'না অরুনাচল প্রদেশকী ওফিসল লেংগ্বেজনি - 'কাগো মাদো', নৌরিবী পেপর রিদর অসিদগী খঙবনি। নুংঙাইরিবা অমনা, ময়ূমগী মপান্দা, হোটেল অমদা য়ারেকপা, মীয়াম মাঙদা ৱাঙাঙবা অহানবনি হায়বা ৱাফম অসিনি।

অদুবু, ত্রিপুরাদা থিয়েটর-ঈহৌ করম্না হৌরকখিবনো? দ্রামা করম' পোকখিবনো? হায়বই ৱারী লীয়ু হায়রগা, বেঙ্গোলি যাত্রা'গী ৱারী লীরকখিবী, আগরটলাদা বেঙ্গোলিশিংনা ত্রিপুরী অমদি মণিপুরীশিংবু উশিত্তবা মতৌ উথোকখিবী 'বিজলি চক্রবোর্তি' মণিপুরগী মৈতৈশিংদি 'মতা অমনি য়াদেনা' হায়বা অমা খঙহনখিবা - অরোয়বা সেসন অদুগী মোদরেটর 'রাধাকুমার'বু থাগৎলি।

লৌশিং পুক্কে / খোমজিনবা- কৈথেল্লাকপম খুমনঙম্বা

# য়ু য়াম্না থকপনা হার্টকী টিসু মাঙ তাকহনবা য়াই

হকচাং শোক্লীংঙাই ওইবা মওংদা নৎত্রগা য়াম্না য়াম্বা চাংদা য়ু থকপনা ব্লদ বাইওমার্করশিংগী লেবেল হেনগৎহন্দুনা হার্টকী টিসু মাঙ তাকহল্লি হায়বা অনৌবা ষ্টদি অমদা খঙবা ঙমখ্রে।

ষ্টদি অদুগী অথর ওইরিবা নোর্ৱেদা লৈবা আর্কটিক য়ুনিভর্সিটিগী ওলেনা লাকুনচিকোভানা হায়, য়ু য়াম্না থক্তবা মীওইশিংদগী য়ু য়াম্না থকপা মীওইশিংদনা সবক্লিনিকেল হার্ট দেমেজ থোকপা য়াবগী ওইথোকপা য়াম্না হেল্লি হায়বসি ঈদা য়াওবা অকক্লবা মোলিক্যুল খরগী লেবেল মিজর তৌরগা খঙবা ঙম্মী।

অমেরিকান হার্ট এসোসিএসনগী জর্নেলদা ফোঙখিবা ষ্টদি অদুগীদমক রিসার্ছরশিং অদুনা পার্টিসিপেন্টশিং অদুগী য়ু থকপগী হেবিটশিং অদুবু হিভি নৎত্রগনা হার্মফুলনি হায়না দিফাইন তৌনবা অকক্লবা সাইন খরা শীজিন্নরম্মী। সাইনশিং অদুদি ওকেজন অমদা গ্লাস তরুক নৎত্রগা তরুক্তগী হেন্না থকপা; হেংওভর নৎত্রগনা য়ু ঙাওবগী থৌওং উবা; অয়ূক হেক য়াহৌরকপগা য়ু গ্লাস অমত্তং থকহৌদ্রগদি লৈবা ঙমদবা; য়ু থকপা অদুনা মরম ওইরগা মীওই অদুগী পসর্নেল লাইফতা পামদমা থৌদোকশিং থোক্লকপা; ইমুং মনুংগী মীওইশিং নৎত্রগা মহাকপু নুংশিবিবা মীওই অমনা মহাক্লা য়ু থকপা অদুগী মরমদা কনসর্ন ওইরকপা অসিনচিংবশিংনি।

হায়রিবা সাইনশিং অসি কার্দিওভাস্ক্যুলর হেল্থপু অমাঙ-অতা থোকহনবগী চাং য়ৌনা য়ু থক্লে হায়বগী খুদমশিংনি।

য়ু থকপগী তোঙান তোঙানবা চাংনা হার্টতা পীবা চৈথেংশিং খঙদোক্লবগীদমক রিসার্ছরশিং অদুনা কুমজা ২০১৫ দগীনা ২০১৮ ফাওবদা পাঙথোকখিবা 'নো য়োর হার্ট' হায়না মিংথোনবা ষ্টদি অমদগী মশাগী চহী ৩৫ দগী ৬৯ ফাওবগী মনুংদা মীওই ২৫২৫গী ব্লদ সেম্পলশিংবু একজামিন তৌরম্মী।

রিসার্ছরশিং অদুগী মতুংইন্না পার্টিসিপেন্টশিং অদুগী মনুংদা ২৪৭৯দি নোর্থৱেষ্ট রসিয়াদা লৈবা অর্খাঞ্জেলস্ক কৌবা সিটি অমগী জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মরক্তগীনি। অদুগা অতোপ্পা পার্টিসিপেন্ট ২৭৮ না অলকোহোলিজমগীদমক অর্খাঞ্জেলস্ক রিজনেল সাইক্যাট্রিক হোস্পিটালদা লায়েংলিবা মীওইশিংনি।

পার্টিসিপেন্টশিং অদুগী সেল্ফ-রিপোর্টতা বেজ তৌরগা মখোয়বু পার্টিসিপেন্টশিং অদুনা কাঙলুপ নাইনা খায়দোক্লম্মী। কাঙলুপশিং অদুদি য়ু থক্তবা মীওইশিং, য়ুদি থক্লগা হিভি/ হার্মফুল দ্রিংকিংগী সাইনশিং থেংনদবা মীওইশিং অমদি হার্মফুল দ্রিঙ্কিংগী ক্রাইটরিয়াশিং লৈবা য়ু য়াম্না থকপা মীওইশিং অসিনচিংবশিংনি।

ব্লদ সেম্পলশিং অদুদা হার্টকী হেল্থকী মরুওইবা মিজর নৎত্রগনা বাইওমার্কর অহুম য়াওই। মখোয়শিং অদুদি হায় সেন্সিটিভিটি কার্দিয়াক ট্রোপোনিন টি, হার্ট ইঞ্জুরিগী মিজর অমা; এন-টর্মিনেল প্রো-বি-টাইপ নেট্রিয়ুরেটিক পেপ্টাইদ, কার্দিয়াক ৱাল ষ্ট্রেচকী মার্কর অমা; অমদি হায় সেন্সিটিভিটি সী-রিএক্টিব প্রোটিন, ইনফ্লেমেসনগী মিজর অমা অসিনচিংবশিংনি।

খুদোংথীনীংঙাই ওইবা চাং য়ৌনা য়ু থক্তবা মীওইশিং অদুগা য়েংনরুবদা খ্বাইদগী খুদোংথীনীংঙাই ওইবা মওংগী য়ু থকপগী হৈনবী লৈবা হোস্পিটালগী পেসেন্টশিং অদুগী সেম্পলশিং অদুদা বাইওমার্কর অহুম্মক য়াম্না ৱাংবা চাংদা য়াওরম্বা অদু রিসার্ছরশিং অদুনা থেংনখি।

খুদোংথীনিংঙাই ওইদবা চাংদা য়ু থকপা মীওইশিংগা য়েংনরুবদা হোস্পিটাল পেসেন্টশিংগী বাইওমার্করশিংগী চাং অদু হার্ট ইঞ্জুরিগী ওইনা চাদা ১০.৩; কার্দিয়াক ৱাল ষ্ট্রেচকী ওইনা চাদা ৪৬.৭; অদুগা ইনফ্লেমেসনগী ওইনা চাদা ৬৯.২ হেন্না ৱাংবা থেংনখি হায়না ষ্টদি অদুনা হায়রি।

য়ু য়াম্না কা হেন্না থকপা মীওইশিং হকচাং মনুংদা নোর্মেল ওইবা চাংদগী হেন্না ৱাংনা, কার্দিওভাস্ক্যুলর দিজিজ য়াওনা মখল মখা কয়াগী হকশেলগী খুদোংচাদবা থোকহনবা ইনফ্লেমেসন তৌই হায়না লাকুনচিকোভানা হায়রি।

সেন্টর ফোর দিজিজ কন্ট্রোল এন্দ প্রিভেন্সনগী মতুংইন্না কুমজা ২০০৬ তগী ২০১০ ফাওবগী মনুংদা য়ু কা হেন্না থকপনা মরম ওইরগা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা চহী খুদিংগী চাউরাক্লা মীওই ৮৮০০ শিহল্লি হায়রি।

**য়ু কা হেন্না থকপা অসিনা অতোপ্পা হকশেলগী ওইবা খুদোংথীবা কয়া অমসু থোকহল্লি। খ্বাইদগী তোয়না থোক্কনবা খুদোংথীবশিংগী মনুংদা:**

**- গাড়ী এক্সিদেন্ট, অৱাংবদগী তাবা, ইরাক্লবা অমদি মৈনা চাকপনচিংবা তৌদুনা অশোক অপন নংবা।**

**- হোমিসাইদ, সুইসাইদ, সেক্সুএল এসোল্ট অমদি ইন্টিমেট পার্টনর ভাইওলেন্স য়াওনা ভাইওলেন্স মখল কয়া।**

**- ঈদা য়ুগী চাং য়াম্না য়াওবদগী থোকপা অলকোহোল পোইজনিং।**

**- খুদোংথীনিংঙাই ওইবা সেক্সুএল বিহেবিয়রশিং, খুদম ওইনা অনপ্রোটেক্তেদ সেক্স নৎত্রগা সেক্স ৱিথ মল্টি পার্টনর্স। থৌওংশিং অসিনা অনইন্টেন্দেদ প্রেগ্নেন্সি নৎত্রগা ঐচ আই ভী য়াওনা সেক্সুএল্লি ট্রান্সমিটেদ দিজিজশিংগী খুদোংচাদবা মায়োক্লহল্লি।**

**-মীরোনবী নুপীশিংগী ওইনা থা শুদনা অঙাং পোকপা, অঙাং শিনা পোক্লকপা নৎত্রগা ফিটেল অলকোহোল স্পেক্ট্রম দিসওর্দর।**

**- ব্লদ প্রেসর ৱাংবা, ষ্ট্রোক, লিভরগী লায়না অমদি দাইজেষ্টিব প্রোব্লেমশিং।**

**- ব্রেষ্ট, চীন, খৌনাউ, ইসোফেগস, লিভর অমদি কোলোনগী কেন্সর।**

**- লর্নিং এন্দ মেমোরি প্রোব্লেম, মেন্টেল হেল্থ প্রোব্লেম, সোসল প্রোব্লেম অসিনচিংবা কয়াসু থোকহল্লি।**

# দ্রামা ফেষ্টিভেলগী তরুকনি চনবদা জাগ্রিট্রি কলচরেল সোসাইটিগী *যাত্রা পালা* উৎখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৯ (ঐচ এন এস): খেঞ্জোংলাং ইম্ফালনা জে এন মণিপুর দান্স একাদেমী অমদি সঙ্গীত নাটক একাদেমী ন্যু দিল্লিগা খুৎশম্মনা শীন্দুনা কৈরাওদা লৈবা খেঞ্জোংলাংগী দ্রামা হোলদা চত্থরিবা নুপী দিরেক্টরশিংগী ওইবা দ্রামা ফেষ্টিভেলগী তরুকনি চনবদা জাগ্রিট্রি কলচরেল সোসাইটিগী *যাত্রা পালা* হায়না মিংথোনবা দ্রামা উৎখ্রে।



জাগ্রিট্রি কলচরেল সোসাইটিগী যাত্রা পালা অসি বিজলি চক্রবোর্তিনা দিরেক্সন পীবনি।

দ্রামা অসিদা শক্তম লাংলিবশিংদি, রানা ভোজদা পর্থাজিৎ বানিক, রুদ্রদেবদা অজিৎ চক্রবোর্তি, বিক্রম সিংহদা এম দি খালিল উদ্দিন, রত্না সিংহদা সঞ্জয় কুমার অচার্জী, সমরাটতা বিজলি চক্রবোর্তি, অবুল ফজালদা চিত্তরঞ্জন দেবনাথ, মিরজাদা অমুল্যা দেবনাথ, উসমক খাদাদিদলিপ অচার্জী, সুরজ সিংহদা সুদিপ বর্মন, দয়া রামদা গোপাল দাসনি।

নুপীদা মীরাদা দুর্গাবতি ভত্তচার্জী, তরাবাইদা লিপিকা পোল, কৃষ্ণদা রুপস্রি দেবনাথ, হিমন্তিদা বিজলি রুদ্রা পোল, অবালাবাইদা সর্সমিস্তা দেবনাথ বাইদ্যানি। ম্যুজিসিয়নদা হার্মোনিয়মদা দিলিপ কুমার, বাঁসিদা বালাই দাস, সাহিদ মিয়া, কর্টালদা দিরজ মোহন চৌধুরি, এক্টোপেদতা প্রবল দাস, নয়ন রুদ্রা পোলনি। দ্রেসমেনদা অনিল চন্দ্র সিল, হেল্পরদা রিতা সরকার, মেক অপতা সঞ্জয় চক্রবতি, লাইট দিরেক্সনদা অনুরাধা চক্রবতিনি।

যাত্রা পালা হায়রিবা দ্রামা অসিগী দিরেক্টর ওইরিবী বিজলি চক্রবতি অগরতলাগী জোগেন্দ্র নগর ভিলেজদা পোকখি। পীক্লিঙৈ মতমদগী হৌনা লম অসিদা থৱায় য়াওরকখি। ত্রিপুরাগী মফম কয়াদসু মহাক্লা দিরেক্সন পীবা দ্রামাশিং উৎখ্রে। তোঙান তোঙানবা ষ্টেট অমদি লম কয়াদসু মহাক্লা দিরেক্সন পীবা দ্রামাশিং উৎখ্রে হায়রি।

কুমজা ২০২০ গী জন্যুৱারী ২ ফাওবা চত্থগদবা নোর্থ ইষ্টকী নুপী দিরেক্টরশিংগী ওইবা দ্রামা ফেষ্টিভেল অসি থা অসিগী ২৪ দা হৌদোকখিবনি। সেমিনার য়াওনা ফেষ্টিভেল অসি পাঙথোকপনি। নোর্থ ইষ্টকী তোঙান তোঙানবা ষ্টেট কয়াদগী লাকপা নুপী দিরেক্টরশিংনা পুথোকপা দ্রামা কয়া ফেষ্টিভেল অসিগী মনুংদা উৎকনি হায়নসু মখা তারি।

# ইরমদম মণিপুরনা পোলিটিকেল পার্টিদগী হেন্না মরুওই : আর পি আই (এ) মণিপুর

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৯ (ঐচ এন এস): ইরমদম মণিপুরনা পোলিটিকেল পার্টিদগী হেন্না মরুওই হায়না রিপব্লিকান পার্টি ওফ ইন্দিয়া অম্বেদকর মণিপুর ষ্টেট কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট এস শামুঙৌনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, কনষ্টিট্যুসন ওফ ইন্দিয়াগী আর্টিকেল ঙাক্লা চৎপা হায়বসি সিটিজন ওইরিবা ঐখোয়গী দ্যুটিনি। দ্যুটি মশক খঙনা মথৌ পাঙথোকপা হায়বসি ইথৌনি খঙবা তাই। লৈঙাক্লসু, মীয়াম্লসু খঙনা চৎত্রবদি চাউখৎপা পুরকপা য়ারোই। হরাওবা ফোঙদোকপা, নুংঙাইবা ফোঙদোকপা ঐখোয়গী রাইটনি হায়রবসু নুংঙাইবা ফোঙদোকপগী মতাং মতম হায়বা অমদি লৈগনি। মদু খঙনা চৎপা তাই।

অয়াবা পীবীয়ু হায়না থাখিবা পিপল প্রোটেক্সন বিলনা অয়াবা পীদে। মণিপুরদা ইন্নর লাইন পর্মিট চৎনরে হায়না ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী গেজেট নোটিফিকেসন থোকখ্রে। সিটিজন্সিপ এমেন্দমেন্ট এক্ট অসি ইন্নর লাইন পর্মিট সিষ্টম চৎনবা ষ্টেটশিংদা চৎনরোই হায়রবসু মসিনা সী এ এনা পীরক্কদবা চৈথেং অদুদগী ঙাকথোকপা ঙম্লোই হায়বসি মণিপুর মীয়াম খন্থবগী মতম য়ৌদ্রিবরা হায়বা লাক্লি। কুমজা ১৯৪৭ দা বৃটিশনা নিং-খা তম্বা পীরল্লবা মতুং মণিপুরসু নিংতম্বা মফম ওইখি। মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তীনখ্রবা মতুংদা মণিপুরগী কবো ভেলি মাঙখি। মণিপুরগী লম ঙাকপা ঙমখিদে। মর্জর এগ্রিমেন্টকী মখাদা মণিপুর পার্ট সি ষ্টেট ওইনা পুনশিনখি। কনষ্টিট্যুসন ওফ ইন্দিয়ানা চৈঙাক অমফাওবা পীখিদে। ইন্নর লাইন পর্মিট সিষ্টম কুমজা ১৯৫১ দা চৎনহনখিদে। মতমদুগী কাউন্সীল ওফ মিনিষ্টর য়াওনা মফম মরাং খঙদনা নুংঙাইবা ফোঙদোক্লবা কয়াগী ফলনি হায়রোইদবগী মরম লৈব্রা।

তুংদা লমদম অসিনা করি ফীভমদা লৈহৌগনি হায়বা ফাওবা খনখিদে। ঙসি লমদমসিদা লৈরিবশিংনা সী এ এ, এন আর সী অমদি এন পি আরগী ৱাহন্থোক মুন্না খঙবগী তঙাইফদবা লৈরি। মণিপুরগী তুংলমচৎকী খনবা তাই। মণিপুরবু মর্জর এগ্রিমেন্ট মতুংদা পার্ট সি ষ্টেট ওইনা থমখিবনি। সী এ এ অমদি আই এল পি সিষ্টম ইন্ট্রোদ্যুস তৌবগী নুংঙাইবা ফোঙদোকপগী খোঙচৎকী পান্দম অমদি ৱাখল্লোন করিনো হায়বসি আর পি আই (এ) মণিপুর ষ্টেট কম্মিটিগী ৱাহংনি। সী এ এগী চপ চাবা মেরিট অমদি দি মেরিট খঙদ্রিঙৈদা নুংঙাইবা অসিগী নুংগী ওইবা ৱাখল্লোন করিনো। মীয়ামগী অপাম্বগী মায়োক্তা থবক তৌবা অমদি মীয়ামগী খোল্লাও তাদ্রবদি করি ওইগনি। সেন্টরনা য়ানবনি হায়দুনা লমদম অসিগী মীয়ামগী অপাম্বগী মায়োক্তা থবক তৌরবদি অদুগুম্বা মীওইশিংদুবু মরৈবাক মরমদম নুংশিবনি হায়গদৌরিব্রা।

থবক ফৈ হায়নবগীদমক তৌরিব্রা, পোলিটিকেল পার্টিদগীদি ইরমদম মণিপুরনা হেন্না লুম্না লৌগদবনি। মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তীনখ্রবা মতুংদা লমদম অসি পার্ট সি ষ্টেট অমা ওইনা লৈখিবনি। মতম অদুদা মীওই কয়া অমনদি হরাওবা ফোঙদোকখিবনি। সী এ এ অমদি আই এল পিগী মতাংদা নীংথিনা খঙমিন্নবা তঙাইফদে। এন আর সী অমদি এন পি আরগী ৱাহন্থোকসু খঙবা তাই হায়রি।

# লেৱানা মীওই অনীদা এৱার্দ পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখ্রে

:(ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৯ (ঐচ এন এস থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবদা লৈবা লমদিং এদ্যুকেটেদ ৱেলফেয়র এসোসিএসন (লেৱা)না লমদম অসিগী মীয়ামগী য়াইফ-থৌরাংগী থবক তৌবা মীওইশিংবু পূক্নিং থৌগৎতুনা এৱার্দ পীবগী থবক ঙসি লেৱাগী ময়াই শঙলেনদা অচম্বা থৌরম অমগা লোয়ননা পাঙথোকখ্রে।

ৱার্দ পীখ্রবা মীওই অনী অদুদি,এ জেমস হৈক্রুজম অমদি দাইমন্দ রেদিওনি। মখোয় অনী খোংজোমগী প্রোগ্রাম এগজিক্যুটিভ ওফিসরনি। মহাক্ল অনৌবা থৌরম অমা পুথোক্তুনা মীয়ামগী পূক্নিং লৌশিং ওইহনবা অমদি অৱা-পোত্থাফম্পম ফংহনবগীদমক এৱার্দ অসি পীবনি। অনীশুবা এৱার্দ অসিনা ৱাংজিং ৱাংখৈদগী সঞ্জয় চোংথাম কৌবা মীওই অমদা খুৎশিন্নখি। সঞ্জয় চোংথামনা গো ক্লিন, মায় নানবগুম অকোয়বসু নালহনসি হায়দুনা নুমীৎ খুদিংগী মীয়ামগী ওইবা এরিয়াদা সোসল সর্ভিস তৌবদা নুমীৎ ১০০ নি লেপ্পুনা শরুক য়াবগী এৱার্দ অসি পীবনি হায়না লেৱাগী প্রসিদেন্ট এস ওজিৎনা থোকপা চেরোল অমনা মখা তারি।

# লৌমীশিংগী মীফম পাঙথোকখ্রে, কুম্বী থিঙেলদা ৱাটর রিজার্ভর অমা শারগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৯ (ঐচ এন এস): কুম্বী অমসুং সাইতোনগী লৌফমশিং নোং তাদবা মতমদা ঈশিংগী অৱাৎ-অপাশিং লৈহন্দনবগীদমক কুম্বী থিঙেল অপূনবা লৌমী লূপনা কুম্বী থিঙেল শেমগৎ-শাগৎনবা মীফম অমা কুম্বী সঙ্গীত কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুদা এম এল এ, এ বিরানা চীফ গেষ্ট ওইখি। কুম্বী ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী চ্যেরপর্সন ববিতা, সাইতোন জি পিগী প্রধান এম ইবোমচা অমদি এল মনিমোহোননা মথংশিংনা প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা কুম্বী এসেম্বলী কনষ্টিট্যুএন্সিগী এম এল এ, এস বিরানা হায়খি, কুম্বীগী ইপা-ইপুশিংনা থম্বীরম্বা কুম্বী থিঙেলদা অচৌবা ৱাটর রিজার্ভর অমা শারগনি। মসিগী ঈশিং অসিনা কুম্বী অমসুং সাইতোনগী লৌমীশিংদা কান্নবা পীগনি। নোং তারক্তবা মতমদা কুম্বী অমসুং সাইতোনগী অকোয়বা মফম কয়াদা লৌমীশিংনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লবা অদু অসিগুম্বা ৱাটর রিজার্ভর অসি শারগদি অৱাবা কোকহনবা ঙমগনি।

লৌউ-শিংউগী থবক্তা ঈথৈ-লৌখোং অমদি লৌফমশিংদা ঈশিং নীংথিনা ফংহন্নবা থৌরাং লৌখৎপা হায়বসি য়াম্না মরুওইবা অমনি। কুম্বী থিঙেলদা ৱাটর রিজার্ভর শাদুনা ঈশিং নীংথিনা থম্লবদি লৌমীশিংনা তঙাইফরক্তবা মতমদা রিজার্ভর অসিদগী ঈশিং লৌরগা লৌবুক্তা ঈশিং পীবা য়াগনি। রিজার্ভর অসিগী কেনেলশিং তোর্বুং জি পি, সাইতোন জি পি, এম এল এ লোকল এরিয়া দিভলপমেন্ট ফন্দগী শেনফম অমদি মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংদগী ফন্দ লৌদুনা কুমজা ২০২০ গী মার্চ ফাওবগী মনুংদা শেমজিন-শাজিনবা লোইশিনগনি। লৌউ-শিংউগী লমদা অখন্নবা মীৎয়েং চঙদুনা পোত্থোক মরাং কায়না পুথোক্লবা হোৎনবা য়াম্না তঙাইফদে। লৌমীশিংগী য়াম্না তঙাইফদবা ঈশিং অমসুং ঈথৈ-লৌখোং অসি নীংথিনা ফংহল্লবদি পোত্থোক মরাং কায়না পুথোকপদা মতেং ওইগনি হায়নসু এম এল এনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

ADMISSION OPEN
ꯂꯨꯂꯥꯕꯤ
"LULLABY"
A Child Care Cum Pre-School
Nagamapal RIMS Road Corner, Near Traffic Point
- A co-educational school for Playgroup, Pre-Nursery, Nursery and KG.
- 1 year scholarship to those aspiring students who stood 1st, 2nd and 3rd position in their respective classes.
- A new development in the way of Schooling has been open in our state with the thought of developing both moral and in Physical ways. Come & Join with us in this wonderful world of our journey towards education.
- Total Child Care
- Nutritious Food
- Child Psycological Development
- Well Equipped Playing Facilities
- Accurate Teacher and Child Ratio
- Last date of form submission : 10th January, 2020.
- Session starting from 16th January, 2020.
Kinder pool and twinkle kids system of education
Monthly Tuition Fees are exempted for this academic year as an introductory offer.
6009103078
HL-B/5915/27/12-01/20jan

# ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ৩০।১২।২০১৯ ইং, নিংথৌকাবা, নুংথিল১.৫৫ ফাওবা ৱাকচিংগী ৪নি পাল্লি, মতুং ৫নি পাল্লনি।

**মেষ :** লন চাওখৎপা, নীংবা মপা চাবা অমদি লৌশিং চাওবা অমদি নথক থোংবনা চানবীগনি। লম চৎপদা কান্নবা ফংগনি অমদি অফবা মফম কঞ্জবা ঙমগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

**বৃষ :** অয়ুক্তা মীপাইবা পোকপা লৈরম্লসু থেংলক্লগা নীংবা থুংবা অমদি ওইজ-ওইথক ফংবা ওইরনি। য়েক্লবা লাকশিনবা ঙমগনি অমদি অনীংবা পাংবা য়ারগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশি মরী ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**মিথুন :** চরাংনবনা নচাক নরল ময়েং তাগনি অমদি মরম চাদনা হোয়া ফগনু। নথক থোংবনা অয়েৎপা খরা লৈরসু থৌনা হন্দনা চংশিনবনা মায়দি পাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী - ৱাঙাঙ হৈত্রদি চোপকনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

**কর্কট :** অয়ুক্তা য়াম্না ফবা খোঙশাল লৈ অদুনা অনৌবা থৌরম পাংবা হৌহৌবা ফগনি। থিবা হুম্বা কন্দবনা অমদি অঙম্বগা মুক্লবা লৈরদি পূক্নিং নুংশিবা নংবা য়াই।
লৈশা পাখংশিংগী - থিবা হুম্বা কনবা ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক/থোইদিং অমুবা।

**সিংহ :** খ্বাইদগী লাইবক ফবা নুমিৎনি, অনৌবা মরুপ ফংবা অমদি নুংঙাইবা পাউ তাবা নুমিৎনি। হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎপা অমদি কাইনবগী নুংঙাইতবা খরদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**কন্যা :** থেংলপ্লা নীংবা থুংবা,পন্দুনা লৈরুবা শেল-থুম ফংবা য়াবা অমদি ৱাখলনা নীংবদুমক পাংবা য়াবা লৈ। লৈফম নুংঙাইবা, নক্লবনা চানবা, মীংচৎ ফংবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশি মরী ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**তুলা :** নথক থোংবনা চানগনি অদুনা ৱানোম-থৌনোম কান্নগনি অমদি য়েৎরম্বা কোকচগনি। অদুবু থবক্তি ইপাং পাংলোই অমদি পূক্নিং ৱাবদি হেনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - হায়জবদি তাবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

**বৃশ্চিক :** অয়ুক্তা লাইবক ফবা, লাই-গুরুনা চানবীবা লৈগনি। মীয়ামগা লৈনবা মরীদি ফগৎপা অমদি শকখঙদবনা কিহনবদি লৈগদবা নুমিৎনি। অখঙবা শাগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - থেংনা ৱাখল নুংঙাইগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**ধনু :** থেংলপ্লা মায় পাকপা খোঙশাল লৈগনি। পাল্লবদি মীয়ামগী মতেং লৌবা য়াগনি অমদি লল্লোন ইতিক্তা খুৎচাও থাবসু য়াগনি। অনম তানবদি য়াদে।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংজবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**মকর :** অঙনবদা থৌ পাংবা হৌহৌবা ফগনি, থবক্কী নুংঙাইবা পাউ তাজগনি, মীয়ামগা লোয়নরগা নুংঙাইগনি অমদি নচা-ননাই চাওখৎকনি। য়েৎনবদি য়াওরুনু।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংবৈ নুংঙাইগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

**কুম্বা :** হকচাং খিংগনি, য়েৎনরম্বা কোক্কনি, শেল-থুমগী লম্দা মায় পাক্কনি অমদি অফবা লৌশিং ফংগনি। মীতোপতি লোয়নগনু, চিন য়াংগনু-মীংচৎ ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**মিন :** নক্লবা মীগী মতেংনা ওইজ-ওইথক ফংজৌ হায়বা লৈ অমদি অফবা মফম কঞ্জবা ঙমগনি। মীতোপ থাজরবা মরুপ কাইননি। অরুবা থবক্তি পাংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশি মরী ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।